ৱর্ল্ড সোইল দেগী থৌরম তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাক শন্না পাঙথোক্লখ্রে

Observance of
WORLD SOIL DAY 2018
Theme: "Be the solution to soil pollution"
Date : 5th December, 2018
Venue : KVK Thoubal
KRISHI VIGYAN KENDRA, THOUBAL
DEPARTMENT OF AGRICULTURE, MANIPUR
DEPARTMENT OF AGRICULTURE

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): ৱর্ল্ড সোইল দেগী থৌরম আই সী এ আর কে ভি কে চুড়াচান্দপুর, কে ভি কে আই সী এ আর মণিপুর সেন্তর লম্ফেল পাৎ, কে ভি কে থৌবাল অমসুং কে ভি কে ইম্ফাল ইষ্টনচিংবনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে।

আই সী এ আর কে ভি কে চুড়াচান্দপুরনা শীন্দুনা কে ভি কে চুড়াচান্দপুরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চুড়াচান্দপুরগী খুল ১৭তগী লাকপা ফার্মর ১১০না শরুক য়াখি। টি কাইখোমাং এম দি সী লানভা ব্লোক্লা চীফ গেষ্ট, সোংপি ভিলেজকী চীফ ভেলহিংনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ডা. দল্লিয়ু রাজেন সী টি ও এনিমেল সাইন্স, ডা. নিরঞ্জনলাল সেনিয়র সাইন্টিষ্ট অমসুং হেদ কে ভি কে চুড়াচান্দপুর, ডা. এস রোমা এ সী টি ও হোম সাইন্স কে ভি কে চুড়াচান্দপুরনচিংবনা ৱা ঙাঙখি অমদি সোইল হেলথ কার্দসু লৌমীশিংদা য়েন্থোকখি।

কে ভি কে আই সী এ আর মণিপুর সেন্তর লম্ফেল পাৎকা কে ভি কে ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি এ আই সী আর টি ওন সোইল টেষ্ট ক্রোপ রেসপোন্স, আই আই এস এস ভোপালগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড সোইল দেগী থৌরমদা পোৎশংবম জিলা পরিষদকী মেম্বর লাইশ্রম বোবি, আই সী এ আর রিছার্স সেন্তর ফোর এন ঈ ঐচ রিজন মণিপুর সেন্তরগী জোইন্ট দিরেক্টর ডা. আই মেঘচন্দ্র অমসুং কে ভি কে ইম্ফাল ৱেষ্টকী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর এন অরুনকুমার অমসুং ডা. তেন্সুবম বসন্তনচিংবনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরনচিংবা ওইখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ডা. আর কে নিরমলা, ডা. টি বসন্তনচিংবনা ৱা ঙাঙখি। থৌরম অদুদা ফার্মর ক্লব ১০গী মেম্বরশিং অমদি ফার্মরশিংনা শরুক য়াখি।

কৃষি বিগ্যান কেন্দ্র থৌবালনসু য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ফুদ এন্দ এগ্রিকলচরেল ওর্গেনাসজেসন (এফ এ ও) না চহী খুদিংগী দিসেম্বর ৫বু ৱর্ল্ড সোইল হেলথ দে হায়না পাঙথোক্লিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি খাঙবোক্তা লৈবা কে ভি কেগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

বি দি সোল্যুসন টু সোইল পোল্যুসন হায়বা পান্দমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা খাঙবোক পার্ট টু গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এস ওপেন্দ্রোনা চীফ গেষ্ট, এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর পি ঐচ রাজেন্দ্রনা প্রসিদেন্ট অমসুং কে ভি কে থৌবালগী ইন চার্জ হেদ সেনিয়র সাইন্টিষ্ট এন তোম্বা অমসুং এস এম এস প্লান্ট প্রোটেক্সন ডা. এম থোইথোইনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা থৌবাল অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী লৌমী ৪০০দা সোইল হেলথ কার্দশিংসু য়েন্থোকখি।

কৃষি বিগ্যান কেন্দ্র ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ভিলেজ দিভলপমেন্ট স্পোর্টিং ক্লব লাইফম খুনৌ অনীনা পূন্না শীন্দুনা পুখাও লাইফমদা ৱর্ল্ড সোইল হেলথ দেগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মকেং দোলাইথাবীগী জিলা পরিষদ নিংথৌজম সনাতোম্বনা চীফ গেষ্ট, পুখাও লাইফম ৱার্দ মেম্বর নোংথোম্বম কবিচন্দ্র, ভিলেজ দিভলপমেন্ট স্পোর্টিং ক্লব পুখাও লাইফমগী প্রসিদেন্ট টি তোলেনজাওনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি। লোয়ননা দিরেক্টর ওফ এক্সটেন্সন এদ্যুকেসন সী এ ও ইম্ফাল প্রোফেসর আর কে শাহানা প্রিসাইদ তৌখি।

থৌরম অদুদা লৌমী ১২৪ রোম্না শরুক য়াখি অমদি সোইল হেলথ কার্দ অমসুং নিংথম মরূ-মরাংশিংসু য়েন্থোকখি।

কাদানা দ্রগ কাপ্পা মীওই কয়া ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক মরূ ফংনা মুখৎনবগী পান্দমদা তোঙান তোঙানবা দ্রাইভ, এৱেয়রনেস কেম্প্যেন কয়া পাঙথোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ৪গী নুংথিলদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফম কয়াদগী নম্বর ফোর কাপ্পা অমদি য়ুঙৌ য়োনবশিং ফাগৎখ্রে।

কাদাগী দ্রাইভ অদুগী মনুং চন্না হৈবোংপোকপী থোংখোঙদগী হৈবোংপোকপী য়ুথ ক্লবকী ভলন্টিয়রশিংনা নম্বর ফোর কাপ্পা সঞ্জেনবম খুলদগী নহা ওইরিবা মীওই ২ ফাগৎখ্রে। ফাগৎলবা মীওই অনী অদুগী ইমুং মনুংশিংগা লোয়ননা হৈবোংপোকপী য়ুথ ক্লব, হৈবোংপোকপী মৈরা পায়বী, সঞ্জেনবম য়ুথ ক্লব, সঞ্জেনবম মৈরা পায়বী অমসুং কাদাগা পূন্না মীফম অমা হৈবোংপোকপী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লবা মতুংদা কাদাদা শীন্নরবা মতুং কাদাগী রিহেব্লিটেসন সেন্তরদা থমখ্রে।

থা অসিগী ৫গী অয়ূক পুং ৮ তাবদা পাৎশোই পার্ট টু অৱাং লৈকায়দা পাৎশোই পাৎ ৱিমেন ৱেলফেয়র এসোসিএসন, পাৎশোই পার্ট টু অৱাং লৈকায়না চথখিবা দ্রাইভ অমদা য়ুঙৌ ফাগৎপা ঙমখ্রে। দ্রাইভ অদুদা মীওই অনীদগী য়ুঙৌ লিটর ১৪ ফাগৎখিবগা লোয়ননা ফাগৎলবা য়ুঙৌশিং অদু পাৎশোই পাৎ ৱিমেন ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী ওফিস মমাঙদা পাৎশোই ৱিমেন ৱেলফেয়রগী থৌমীশিং অমদি কাদাগী থৌমীশিং য়াওনা মীয়াম মাঙদা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

লমদম অসিদা নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোত্রোপিক সবষ্টেন্স এক্ট ১৯৮৫ চৎনরবসু চহী কয়া এক্ত অসিবু লৈঙাক্লা মমিংখক্তগী ওইনা থম্বনা লমদম অসিদা ৱাদনা শেল তান্নীংবা, খুন্নাই অসিবু লৈখা তানা মাঙহনবা ঙম্বা দ্রগ ললোনবা অচৌবা খূৎপু কয়া লৈরিবা অমদি মীয়াম্না মীখল তৌদুনা থাগৎখিবা মীওই ফাওনবা অসিগুম্বা খুন্নাই অমা তুম্না মাঙহনবা ঙম্বা দ্রগকী ললোন ঈতিক তৌবশিং অসিদা য়াওশিল্লক্লি হায়রি।

মীয়াম্না দ্রগ ললোনবনি হায়বা খঙলফাওবদা খূৎকন পাঙ্গনবা মীওই ওইখিবনা করিসু তৌবা ঙমদবগুম্না অমদি খঙশিন্নদবগুম লৈঙাক অসিনসু য়েংদুনা লৈথোক্লি হায়না মরাল শিরক্লি।

ঙসি ফাওবদা লৈঙাক অসিনা দ্রগকা মরী লৈনবা কেসশিং থুনা ৱায়েল চথনবা ফাষ্ট ত্রেক কোর্ট লীংদুনা ৱায়েল চথবা হৌখ্রে অমদি কনভিক্সন ফাওবা পীবা লৈখ্রে। অদুবু লৈঙাক অসিনা পুকচেল শেংনা খুন্নাই অসিগী মীরোল কনগে হায়বা ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা তৌবা ওইরবদি অচৌ মচা খায়দনা দ্রগ ললোনবা মীওইশিং কূপ্না থিগৎপগা লোয়ননা মরালগী মতিক চাবা চৈরাক ফংফম থোকই হায়রি।

খুন্নাই অসিগী নৌরিবা নহা ওইরিবা মীওই কয়া মীয়াম্না থাজরোইদবা চহী মতাংগী অঙাংশিং ওইরিবা ক্লাস সিক্স অমসুং সভেন তম্লিবা অঙাংশিং হেরোইন নম্বর ফোর অমদি তোঙান তোঙানবা ফার্মাসিয়ুটিকেল দ্রগ মখলশিংদা লাইচুবগী চাং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। মসি খুন্নাই অসিগী ওইনা য়াম্না লাইবক থিবনি। মসিনা ঐখোয়গী খুন্নাই অসি লৈখা তারক্লে হায়বগী ময়েক শেংলবা খুদমনি হায়না কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম আনন্দনা থোকপা চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর লিকর প্রোহিভিসন এক্ট ১৯৯১ লমদম অসিদা চৎনদুনা দ্রাই ষ্টেট অমনি হায়না লাউথোক্লবসু মফম খুদিংদা য়ু মরাং কায়না ফংলি। লমদম অসি মপূ পান্দবগুম অমদি লো লৈতবগুম তৌনীং তৌনীংবা তৌদুনা লৈবদা লৈঙাক অসিনসু য়েংদুনা লৈরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

য়ু য়োনবা, শুংবা য়াদে হায়রিবা লমদম অসিদা লমদম অসিগী লৈকায় লৈকায় খুদিংদা য়ু মরাং কায়না ফংলি। মসিনা লমদম অসিগী তুংগী লাইবক লেপকদৌরিবা নহারোল কয়াগী পুন্সি খাঙুথক্তা লোমলি। অসিগুম্বা খুন্নাইগী ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসি কূপ্না নৈনদুনা য়ু থিংনবা থবক লৌখৎপগী মহুত্তা লৈঙাক অসিনা লমদম অসিদা য়ু শুংদুনা শেল তানগনি হায়বা ৱাখল মপূং ফাদবা মানবা থৌওং অমা চথরকপা অসিদা লমদম অসিদা ঙসিদগী চহী ৪০গী মমাঙদা য়ু অমদি ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মায়োক্তা ইমা ইবেলশিং অমদি লৈকায় লৈকায়গী থৌমীশিংনা চঙশিল্লকপা খোঙজং কয়াবু করিসু লৈতনা খনবা অমদি মণিপুরগী মীয়ামবু করিসু লৈতনা খনবা মীয়াম্বু ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ঈপাক্তা তাওহল্লগা লৈবাক ঙাক্কনি হায়বা ৱাখল্লোন অসিগী মায়োক্তা খুন্নাই অসিবু ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ঈপাক্তগী কলহৌনবা মীয়াম পূন্না লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা অকনবা ঈহৌ অমা শাগৎপা মতম ওইরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

৭৯শুবা নুপীলাল নুমিৎ পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): হুম্ফুতরামাপনশুবা নুপীলাল নুমিৎ ওবজার্ভেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ৱাই দল্লিয়ু সীগী গ্রাউন্দদা থা অসিগী ১২গী অয়ূক পুং ১০ তাবদা ৭৯শুবা নুপীলাল নুমিৎকী থৌরম পাঙথোক্কনি।

হুম্ফুতরামাপনশুবা নুপীলাল নুমিৎ ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী কনভেনর, পব্লিসিটি এন্দ ফিল্ড এন্দ ষ্টেজ এস শান্তিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অদুদা অমকিলগী প্রসিদেন্ট ফাঞ্জৌবম শখি, কংলামৈগী প্রসিদেন্ট ৱাই লৈরিক, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট এল মেমচৌবী, চিতুৱাগী প্রসিদেন্ট এন পুর্নিমাসি, পি পি সী এনগী কনভেনর এন বিমোল, কবুই মার্দরস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট জি অতোংপি কামৈপুই, কুকি ৱিমেন য়ুনিয়নগী এদভাইজর রোজ মাংসি হাওকিপ, ওল মণিপুর মুসলিম ৱিমেন দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট অরিবম সিতারা বেগমনচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইগনি হায়রি।

সোসো সৈজাবু ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): অহানবা ওইনা মণিপুরদগী নেসনল কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী মেম্বর ওইনা খল্লকখ্রবী সোসো সাইজাবু ওকপগী থৌরম অমা থা অসিগী ৪দা পাঙথোকখ্রে।

য়ূম এন্দ হিলস কোটেজ লুৱাংশঙবম্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা তাঙ্খুল অমসুং মৈতৈ/মীতৈশিংনা শরুক য়াখি। থৌরম অদু প্রিসাইদ তৌখিবা য়ুনাইটেদ ওল কম্যুনিটিজ সোসল অপলিফটর কংলৈপাক (য়ুনাক্সু) গী প্রসিদেন্ট জিটেন্দ্রা নিঙোম্বনা মহাক্না মণিপুরগী নুপীশিংগী ফীভম ফগৎনবা হোৎনবদা মপূং ফানা শৌগৎলক্কনি হায়না থাজবা থমখি।

ষ্টেট অসিনা শক্লাইরবা মীওই কয়া পুথোক্লে অমসুং পোলিটিকেলগী অমদি ফুরুপকী খেন্নবা লৈতনা অসিগুম্বা থোইদোক হেন্দোক্লবা মীওই কয়া পুথোরকখিবনি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা তাঙ্খুলশিং, মীতৈ/মৈতৈশিংগা পূন্না চাক পুখম অমত্তদা চামিন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই শানখি।

নিংথৌ পামহৈবনা হিন্দুগী লাইনীং লাইশোন চহী ৩০০ রোমগী মমাঙদা পুশিল্লকখ্রবা মতুংদা অসিগুম্বা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন্দা হরাউনা চামিন থকমিন্নবগী থৌরমশিং পাঙথোক্তনা লাকখ্রবনি। মণিপুর হিন্দুগী লাইনীং চৎপা লমদম অমা ওইখিবদগী নিংথৌনা পোলিটিকেল অমসুং শেল থুমগী থবক থৌরম লোয়ননা ইন্সটিট্যুসনশিং অসি মহাক্কী মখাদা লৈখিবগা লোয়ননা মহাক্না অপান্বদা তৌদুনা লাকখি। হিন্দু লাইনীং চৎলু য়াদবশিংবু অকনবা চৈরাক পীবগা লোয়ননা হিন্দু লাইনীংগী মায়োক্তা লৈবশিংবু হাৎপা ফাওবা য়াওখি হায়না উনাক্সুগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি থিঙুজম বঙ্কিম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এলাংবম দিণমনীনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): অইবা এলাংবম দিণমনীনা লৈখিদবদা সিনে রাইটরস এন্দ প্লে রাইটস ফোরম মণিপুর, শৈরেংবশিংগী অপূনবা লূপ (সাল) মণিপুর, মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিএসন (মালা), রাইটরস ক্লব মণিপুর নম্বোল অমসুং মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

সিনে রাইটরস এন্দ প্লে রাইটস ফোরমগী সেক্রেটরি রঞ্জিৎ নিংথৌজানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরী সাহিত্যদা ৱারী মচা, নোবেল, নৈন ৱারেং, শৈরেং, দ্রামা, রেদিও লীলা, হন্দোকলোই অমা ওইরম্বা অমসুং মণিপুরী ফিল্মগী ইহান হানবা স্ক্রিন প্লে রাইটর অমা ওইরম্বা মমিং লৈরবা অইবা এলাংবম দিণমনীনা লৈখিদবদা ফোরম অসিগী মেম্বরশিংনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মিনট ২ ৱা ঙাঙদনা লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায় মিরেলনা লাইরমলেন্দা ঈংনা চিল্লা পোত্থারুনবা তাইবঙ মপূগী মফমদা থৌনিজখ্রে।

সালগী সেক্রেটরি জিবন মোইরাংথেম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরী সাহিত্যগী পুক্কেদা অচৌবা খুদোল তল্লম্বা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দি অমসুং শক্লাইরবা অইবা প্রোফেসর এলাংবম দিণমনীনা লৈখিদবদা সালগী থৌপুরেল এন জি মুনিন্দ্রোনা প্রিসাইদ তৌদুনা সালগী ওফিসতা ঙসি অয়ূক পুং ৮ তাবদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপূগী লৈকোলদা ঈংনা চিল্লা লৈরুনবা থৌনিখি।

মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই টিকেন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিএসনগী অখন্নবা মীফম অমা ঙসি পাঙথোকপগা লোয়ননা মীফম অদুদা মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা এলাংবম দিণমনীনা লৈখিদবদা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবঙ মপূগী মফমদা ঈংনা চিল্লা লৈরুনবা নিজখি।

রাইটরস ক্লব মণিপুর নম্বোলগী সেক্রেটরি এন সুনিতানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট রাজেন সরাংথেম্না প্রিসাইদ তৌদুনা ক্লব অসিদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা শক্লাইরবা অইবা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দি এলাংবম দিণমনীনা লৈখিদবদা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুরগী সাহিত্যগী লৈকোলদা মমল নাইদ্রবা খুদোল কয়া তল্লম্ববু শিংথাবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু ক্লব অসিনা শরুক য়াজরি হায়রি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা থোকপা চেরোল অমনসু প্রোফেসর এলাংবম দিণমনীনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

মেরিট স্কোলরসিপকী লিষ্ট ফোঙলে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ পাস তৌরবা মহৈরোয়শিংগী মেরিট স্কোলরসিপ স্কিম ২০১৮ পীনবগী খনগৎলবা লিষ্ট ফোঙলে হায়না দিরেক্টরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস) গী দিরেক্টর টি ঐচ কিরনকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। এনেক্সর ৱান্দা ক্লাস টেন পাস তৌরবশিংগী অমদি এনেক্সর টুদা ক্লাস টুয়েল্ভ পাস তৌরবশিংগী লিষ্ট অদু দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসকী নোটিশ বোর্দতগী য়েংবা য়াগনি। খনগৎলবা মহৈরোয়শিংনা মশা মশাগী জোইনিং রিপোর্ট অমসুং বেঙ্ক একাউন্টকী দিটেলশিং অপীবা ফোর্মেটতা সমিট তৌখিদবশিংনা ওফিস অসিদা থা অসিগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা সমিট তৌরনবা খঙহল্লক্লি হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা সমিট তৌরক্তবশিংগীদি মখা তানা খন্নরোই হায়রি। খল্লবা মহৈরোয়শিং অসি মেরিট সার্টিফিকেটনচিংবা অতোপ্পা স্কোলরসিপ অমসুং ষ্টাইপেন্নচিংবা ফংদবা মীওইশিং অদু ওইগদবনি হায়রি।

স্পিসিয়েল আউটরিচ প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): ফিল্ড আউটরিচ ব্যুরো, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদ কাষ্টিং গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফালনা শীন্দুনা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী সী আই কোলেজতা স্বাছতা এক্সন প্লানগী নোংমগী ওইবা স্পিসিয়েল আউটরিচ প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু সী আই কোলেজকী প্রিন্সিপাল ডা. মুতুম মঙ্গিনা প্রিসাইদ তৌখি। থৌরম অদুদা ফিল্ড আউটরিচ ব্যুরো ইম্ফালগী হেদ জিন গাংতেনা ইন্দিয়াবু শংনা অমদি লূ-নান্না থম্বদা মীয়াম অমসুং মহৈরোয়শিংনা লৌগদবা থৌদাংগী মরমদা ৱা ঙাঙখি। ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর, ফিল্ড আউটরিচ ব্যুরো ইম্ফাল থোকচোম এন্থোনিনা স্বাছতা এপতা দাউনলোদ তৌদুনা বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপালিটিগী অকোয়বদা অমোৎ অকায় পৈশিল্লিবশিং অদুসু থাগৎলক্লবা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

আই আর বিগী জমান্দার লৌগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): তরা অমসুং তরামাথোইশুবা ইন্দিয়ন রিজার্ভ বট্রালিয়ন মণিপুরগী জমান্দারশিং লৌগদৌরি।

পুলিস দিপার্টমেন্টনা পাঙথোক্কদবা জমান্দার লৌনবগী রিক্রুটমেন্ট দ্রাইভ অসিদা শরুক য়ানীংবা কেন্দিদেটশিং/ এপ্লিকান্টশিংনা মরী লৈনবা এপ্লিকেসন ফোর্ম মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী সুপরিন্টেন্দেট ওফ পুলিসকী ওফিসতগী লৌবা য়াগনি। প্রেস্ক্রাইব ফীনচিংবা পীরবা মতুংদা মেনশিল্লবা এপ্লিকেসন ফোর্ম অদু মরী লৈনবা এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জদা মথং চহীগী জন্যুৱারী ৩ ফাওবগী মনুংদা য়ৌহল্লক্কদবনি।

দিষ্ট্রিক্টশিং অদুগী ফিজিকেল ইফিসিএন্সি টেষ্ট (পি ঈ টি), উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ৫গী অয়ূক পুং ৮দগী পাঙথোক্কনি। কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ৭কী অয়ূক পুং ৮দগী হৌনা পাঙথোক্কনি। তমেংলোং দিষ্ট্রিকটকী ওইনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ৮গী অয়ূক পুং ৮দগী পাঙথোকপা হৌগনি।

নোনে দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ৯গী অয়ূক পুং ৮দগী পাঙথোকপা হৌগনি। চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ১০গী অয়ূক পুং ৮দগী হৌনা পাঙথোক্কনি। তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ১১গী অয়ূক পুং ৮দগী হৌদুনা পাঙথোক্কনি। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ১২গী অয়ূক পুং ৮দগী পাঙথোকপা হৌগনি। ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ১৪গী অয়ূক পুং ৮দগী পাঙথোকপা হৌগনি। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ১৫গী অয়ূক পুং ৮দগী হৌনা পাঙথোক্কনি। কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ১৬কী অয়ূক পুং ৮দগী হৌনা পাঙথোক্কনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ১৭ অমসুং ১৮গী অয়ূক পুং ৮ তাবদগী হৌনা পাঙথোক্কনি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ১৯ অমসুং ২১গী অয়ূক পুং ৮ তাবদগী হৌনা পাঙথোক্কনি। জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ২২গী অয়ূক পুং ৮দগী হৌনা পাঙথোক্কনি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ২৩ অমসুং ২৪গী অয়ূক পুং ৮ তাবদগী পাঙথোক্কনি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ২৫ অমসুং ২৬কী অয়ূক পুং ৮ তাবদগী হৌদুনা পাঙথোক্কনি। ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ২৯গী অয়ূক পুং ৮দগী হৌনা পাঙথোক্কনি।

ষ্টেট অসিগা য়ূমথংনবদা লৈবা কেন্দিদেটশিংগী ওইনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ৩০গী অয়ূক পুং ৮দগী হৌনা পাঙথোক্কনি। ইলিজিবল ওইরবা কেন্দিদেটশিং/এপ্লিকান্টশিংনা দি পি সীগী চ্যেরমেন পাঙ্গৈদা লৈবা মণিপুর পুলিস ত্রেনিং কোলেজগী গ্রাউন্দদা হায়রিবা মতম অসিদা রিপোর্ট তৌরনবা ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (এদমিনিষ্ট্রেসন) আই কে মুইভানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

শিলোংদা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

শিলোং, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): নিংঙোল চাক্কৌবা ওর্গেনাইজিং কম্মিটি শিলোংনা শীন্দুনা থা অসিগী ২দা শিলোংগী লাইতমখরাদা লৈবা মণিপুর হাওসতা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

নিংঙোল চাক্কৌবা ওর্গেনাইজিং কম্মিটি শিলোংনা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অদুদা শিলোংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং ওইরিবা মৈতৈ, মুসলিম, অনাল, মরিং, নেপালি, বেঙ্গোলি, কোম অমসুং তাঙ্খুলনচিংবনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা নাওরিয়া পাখঙলাকপা এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ এস সুভাসচন্দ্র, শিলোং মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট শাংবা হুইদ্রোম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী অধক্ষ আর কে তরুনি, হিয়াংথাং জিলা পরিষদ এস সিলাস্না, এন ঈ সী, মিনিষ্ট্রি ওফ দোর্নর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী এদভাইজর মাইবম ইবোয়াইমা, আই সী সী আর, এন ঈ আর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী রিজনেল দিরেক্টর নিংথৌজম মুনিস, সোসল এক্টিভিষ্ট অমসুং ইন্টরনেসল মোদেল ময়াংলম্বম দাইনা, অনাল এলদর ফোরম শিলোংগী প্রসিদেন্ট ঙমখেল অনাল, শিলোং মণিপুর খৃষ্টান মণিপুরী ফেলোসিপকী জেনরেল সেক্রেটরি এম থোমাস মরিং, শিলোং মণিপুর মুসলিম য়ুথ ফাউন্দেসনগী সেক্রেটরি অভিয়া রেহমন, শিলোং নেপালি ফোরমগী মেম্বর রতিনা সেত্রি, মণিপুরী খৃষ্টান ফেলোসিপ শিলোংগী চ্যেরপার্সন এস প্রোমিলানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা মীওই কয়ানা ৱা ঙাঙবদা নিংঙোল চাক্কৌবা হায়বা থৌরম অসি করিগীদমক্তা পাঙথোক্লিবনো হায়বা নুংগী ৱাফমশিংসু ফোঙদোক্লখি। মতুংদা নিংঙোল অমসুং পিবাশিং পূন্না চাকলেন চামিন্নরবা মতুংদা নিংঙোল চাক্কৌবা ওর্গেনাইজিং কম্মিটি শিলোংগী মায়কৈদগী নিংঙোল চাক্কৌবদা শরুক য়াখিবা নিংঙোলশিংদা খুদোল পোৎশিং তমখি। মতুংদা থাবল চোঙবগী থৌরমসু পাঙথোকখি হায়রি।

লাইরিক দোনেট তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল হপ্তা কাংজৈবুংদা পাঙথোকখিবা অদুদা বুক দোনেসন কেম্প্যেন, দিপার্টমেন্ট ওফ টুরিজম, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরদা গুরু মুতুম মোধু আর্ট এন্দ কলচর একাদেমি কৈশাম্পাৎকী দিরেক্টর মুতুম উপেন্দ্রা অমদি একাদেমি অসিগী মেম্বরশিং মুতুম নেলসন, মুতুম নিটিশ, মুতুম লকি, মুতুম বিদেসিনি, গরিনা মুতুম, রাজেস মুতুম্নচিংবনা মণিপুরী অমসুং ইংলিসকী লাইরিকশিং লোয়ননা ইংলিসকী থাগী ফোঙবা জর্নেল কয়া অমদি মশীং য়াম্লবা লাইরিক দোনেট তৌখিবগীদমক সঙাই লাইব্রেরিনা শকখঙ চে পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে হায়রি।

ইলেক্ট্রিক্ট রিচার্জ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট পৱর দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদকী ইলেক্ট্রিসিটি কঞ্জ্যুমরশিংদা খঙহল্লক্লি মদুদি সেন্ট্রেল দাটা সেন্তর গুৱাহাটিনা শেমজিন শাজিনবগী থবক থৌরমশিং চয়োল অমরোম চঙখিগদবনা কঞ্জ্যুমরশিংনা রিচার্জশিং মরী লৈনবা এম এস পি দি সী এলগী বেন্দিং ষ্টেসনশিংদগী মখা তানা লৌবীয়ু হায়না এম এস পি দি সী এলগী জেনরেল মেনেজর, ঈ সী-১ ও কার্টিক্লা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থাঙ-তাগী মীফম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী মীফম অমা থা অসিগী ৯গী অয়ূক পুং ১১ তাবদা মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি এস শ্যামসোনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মীফম অসিদা অপূনবা লূপতা য়াওরিবা লূপশিংগী শিন্তাক পুরেল অমদি থৌ পুবশিংনা শরুক য়ানবা ৱাফম ফোঙদোরকপগা লোয়ননা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা থাঙ-তাগী হীরমদা তাকপী তন্বীনবা ওজা লৌগদৌরিবা অসিদা লূপ অসিনা লৌগদবা থৌদাং, থাঙ-তাবু মণিপুরগী ৱাংমদা মালেমগী থাক্তা শন্দোক্লবা হোৎনরিবা লূপশিংনা থাংজিল্লক্লিবা খোঙথাং অমদি লৌরক্লিবা মওং মতৌগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি হায়রি।

লাইব্রেরিগী নেসনল সেমিনার পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): রাজা রামমোহেনা রোয় ফাউন্দেসন কোলকটা অমসুং আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিএসন্না শীন্দুনা নুমিৎ নীনিগী ওইবা নেসনল সেমিনার অমা থা অসিগী ৮ অমসুং ৯দা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরিদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, সিষ্টেমেটাইজিং লাইব্রেরি সিষ্টেম টু ইন্সপ্যার লীদরসিপ কম্যুনিতি হায়বা টোপিক অসিদা খন্ন-নৈনগদৌরিবা অসিদা লাইব্রেরিবু চাওখৎহনবা পাম্বা মীওইশিং মরু ওইনা মণিপুরগী বিনিফিসরি ক্লব অমসুং লাইব্রেরিগী মীওইশিংনা শরুক য়াবিয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

ADMISSION OPEN
ENGLISH COACHING
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/4970/13/11-9/12

HL-P/5488/7/10-4/12(Alt.)
SMART TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPER MARKET RADHESHYAM SHOPPING COMPLEX, IMPHAL- 795008
TOPPERS OF THE S.T.C. IN HSLCE 2018

2nd Position Holder
PATEL LAIRENJAM
23rd Position Holder
HUIDROM HELEN

ADMISSION OPEN
6th REVISION COURSE CLASS X & (XII Sc.)
7th FOUNDATION COURSE CLASS X
START ON 10th DECEMBER 2018
Sub:Maths,Sc,S.S,MM,Eng,C/Sc,H/Sc & H/Maths.
BATCHES : Morning & Evening FACILITIES:-VAN SERVICE & HOSTEL Contact No. 8730999192
For Detail :Visit Smart Tutorial